# অদেন এয়রপোর্টতা চথরকখিবা এটেকতা মীওই ২২ শিখ্রে, কয়া শোক্লে

অদেন, দিসেম্বর ৩১ (এজেন্সী) :

য়েমেনগী অদেন এয়রপোর্টতা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা চথখিবা বোমগী এটেক অমদা য়ামদ্রবদা মীওই ২২ শিখ্রে অমসুং অতৈ মীওই কয়া অশোক অপন নঙখ্রে।

গভর্ণমেন্টনা কন্ট্রোল তৌবা লৈবাক অসিগী ওইবা সাউদি অরাবিয়ান শৌগৎপা নৌনা শেম্বা কেবিনেট মেম্বরশিং তোংবা প্লেন অমা থুংখিবা মতুং মতম ইকান কান্নদনা থৌদোক অদু থোকখিবনি। এটেক অদুদা কেবিনেটকী মেম্বর খুদিংমক অশোই অঙাম থোকহৌদ্রে হায়না প্রাইম মিনিষ্টর মায়ীন অব্দুলমলিকনা ফোঙদোকখি। তৌইগুম্বসুং এটেক অদুনা হৌজিক গভর্ণমেন্টনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্ন রি হায়বা উৎলি। ইরাননা শৌগৎপা হৌথি মুভমেন্টনা শোক্নরিবা লান অদুদা সাউদি অরাবিয়ানা লৈঙাক শৌগৎলিবনি।

এটেক অদুগী মতুং ঙাইহাক্কী মনুংদা অদেনগী মাসেক প্রসিদেন্সিএল পেলেসকী অকোয়বদা অনীশুবা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অমা থোকখি। মায়ীন য়াওনা কেবিনেট মেম্বরশিং অমসুং য়েমেনদা লৈবা সাউদি অম্বেসেদর মোহম্মদ সাইদ অল-জাবের



অশোই অঙাম থোক্তনবা শাফগদবা মফম অমদা থমখ্রে।

উহৌবশিংনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না এয়রপোর্টকী এটেক অদুদা রিয়াধতগী পাইরকপা প্লেন থুংলবা মতুং মতম শাংনা কান্নদনা অহৌবা পোকখায়বগী অমসুং নোংমৈ কাপ্পগী মখোলশিং তাখি। লোকেল সিক্যুরিটি সোর্ছ অমগী মতুং ইন্না, এয়রপোর্টকী হোল অদুদা মোটার সেল অহুম তাশিল্লকখি হায়রি।

ইন্টিরিয়র মিনিষ্টরগী ৱারোল পল্লদুনা কেবিনেটনা এটেক অদুদা শিখিবা মী মশীং ২২ শুখ্রে হায়না ত্বিটরদা ফোঙদোকখি। মখোয়গী মতুং ইন্না এটেক অদুদা মীওই ৫০ শোকখি। মেদিসিন্স সান্স ফ্রন্টিয়র্স কৌবা এইদ গ্রুপনা হান্নন অশোকপা মীওই ১৭ অদেনদা লৈবা মখোয়গী হোস্পিটালদা লায়কন্নরি হায়না ফোঙদোকখি। থৌদোক অদুগী মতাংদা গ্রুপ নৎত্রগা মীওই অমত্তনা ক্লেম তৌরকপা লৈত্রি হায়রি।

প্রসিদেসিএল পেলেসতা টার্গেট তৌবা এক্সপ্লোসিভ য়াওবা হৌথিশিংগী প্লেন অমা কাপথখি হায়না সাউদিনা লুচিংবা কোলিসননা ক্লেম তৌখি। অমরোমদা এটেক অদুগী মতাংদা হৌথিশিংগী মায়কৈদগী ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকখিদবদা নত্তনা মদু মখোয়গী খূৎনি হায়বা ৱাফম য়াখিদে। অদেন এয়রপোর্টতা টেররিষ্টশিংনা চথরকখিবা পাংদবগী মতৌ উৎপা এটেক অদু য়েমেনি ষ্টেট অমসুং মীয়ামগী মায়োক্তা চথবা লাল অমগী মওংনি হায়না মায়ীননা মাসেক পেলেসতগী ত্বিটরদা ফোঙদোকখি।

গভর্ণমেন্টগী মেম্বর খুদিংমক টেম্পরারি কেপিটেল অদেনদা তেক্তা কায়দনা লৈরি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। ইন্টরনেস্নেল কম্মিটি ওফ দ রেদ ক্রোস ষ্টাফকী মেম্বর কয়া এটেক অদুদা শিখ্রে অমসুং অমনা থিবা খঙখিদ্রে হায়না আই সী আর সীনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখি।

# চাইনাগী অহানবা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন মীয়ামগীদমক্তা শীজিন্নবা অয়াবা পীখ্রে

বৈজিং, দিসেম্বর ৩১ (এজেন্সী) :

চাইনানা লৈবাক অসিগী অহানবা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন মীয়ামগীদমক্তা শীজিন্নবা শগোলশেন নুমিত্তা অয়াবা পীখ্রে। নিংথম থা মনুংদা কোরোনা ভাইরস লায়চৎ কনশিল্লকপা য়াই হায়বগী অকিবা লৈরিঙৌদা ভেক্সিন অদু এপ্রুভ তৌখিবনি।

ষ্টেটনা চলাইবা ফার্মাস্যুটিকেল জাইন্ট সাইনোফার্মগী সবসিদিয়ারি চাইনা নেস্নেল বাইওটেক গ্রুপ (সী এন বি জি) গী য়ুনিট অমা ওইরিবা বৈজিং বাইওলোজিকেল প্রদক্টস ইন্সটিট্যুটনা শাবা ভেক্সিন অদুগী ইফিকেসি দেটাগী অকুপ্পশিং ফোংদ্রিবা ওইরবসু মদু ইন্টরিম দেটাদা য়ুন্ফম ওইরগা লায়না নারকপা থিংবদা চাদা ৭৯.৩৪ ইফেক্টিভ ওই হায়না দিভলপ্পর অসিনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখি।

ভেক্সিন অদু চাইনাগী নেস্নেল মেদিকেল প্রদক্টস এদমিনিষ্ট্রেসননা এপ্রুভ তৌদ্রিঙৈগী মমাংদা য়ুনাইটেদ অরব এমিরেটসনা এপ্রুভ তৌখি। পাকিস্তননা ভেক্সিন দোজ মিলিয়ন ১.২ লৈনবা সাইনোফার্মগা দিল অমা য়ানরে হায়না লাউথোরকখিবগা চান্নন চাইনিজ গভর্ণমেন্টনা ভেক্সিন



অদু পাক্তক্লনা শীজিন্নবগী অয়াবা পীখিবনি।

কোভিদ-১৯ এপ্রুভ তৌবদা চাইনানা অতৈ লৈবাক কয়াদগী খরা তপথরবসু লৈবাক অসিনা থা কয়া সিটিজনশিংদা চাংয়েংগী লোয়শিল্লকপা তাঙ্ককশিংদা লৈরিবা ভেক্সিন অহুম কাপ্তুনা লাকখি।

চাইনানা ইসেন্সিএল ৱার্করশিং অমসুং ইনফেক্সনগী রিস্ক ৱাংবা অতৈ কয়াগী য়েংদুনা হৌখিবা জুলাইদা ইমর্জেন্সি ওইনা ভেক্সিন শীজিন্নবগী প্রোগ্রাম অমা হৌদোকখি। য়ামদ্রবদা প্রদক্ট অহুম শীজিন্নদুনা দিসেম্বর ১৫ ফাওবগী মনুংদা ভেক্সিন দোজ মিল্লিয়ন ৪.৫ হেন্না কাপথোকখ্রে। ভেক্সিন অহুমগী মনুংদা ভেক্সিন অনী সী এন বি জিনা শাবনি অমসুং অমনা সাইনোভেক বাইটেকনা শাবনি।

সাইনোফার্মগী ভেক্সিন অদু চাংয়েংদা ফাইজর ইঙ্ক অমসুং মসিগী পার্টনর বাইওএনটেক এম ঈ অমসুং মোর্দনানা পুথোকপা ভেক্সিনশিংগী চাদা ৯০ দগী হেনবা মায় পাকপগী চাংদগী হন্থরবসু মায় পাক্লবা ভেক্সিনশিং পুথোক্লবগী মালেমগী লমজেলদা চাইনানা খুমাং চাওশিনবগী খুদম চাংদম অমা ওইরি।

# ফাদুনা থল্লিবা রোইটর্জকী কেমেরামেনগী মায়োক্তা ইভিদেন্স অমত্তা লৈতেঃ উকিল

নাইরোবি, দিসেম্বর ৩১ (এজেন্সী) :

ইথিওপিয়াদা রোইটজ‘কী কেমেরামেন কুমেরা গেমেচু অরানবা তৌখি হায়বগী ইভিদেন্স পীদনা নত্রগা চার্জ তৌদনা চয়োল অমরোম ফাজিন্দুনা থল্লক্লি হায়না মহাক্কী উকিলনা ফোঙদোকখ্রে।

ফাজিন্দুনা থল্লিবা রোইটর্জকী কেমেরামেনগী উকিল মেলকামু ওগোনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোকখিবদা, পুলিসনা মঙোন্দা মখোয়গী ইনক্বারি অদুদা অরানবা পাউ শন্দোকপা, গভর্ণমেন্টনা লাম্হেংনরিবা গ্রুপশিংগা পাউ ফাওনবা অমদি মীয়ামগী পিছ অমসুং সিক্যুরিটিদা অকায়বা থোকহনবগী ৱাফমশিং য়াওরি হায়না খঙহল্লক্লে। অদুম ওইনমক মরাল কয়া শিবা লৈরবসু মহাক্না ইভিদেন্স অমত্তা উদ্রি।

কেমেরামেন কুমেরা হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তা ইথিওপিয়াগী অদিস অবাবাদা লৈবা মহাক্কী ময়ুমদগী ফাখি অমসুং য়ামদ্রবদা পুলিস ইনভেষ্টিগেসন লোয়শিনগদবা জন্যুৱারি ৮ ফাওবগী ওইনা দিটেন তৌরকখি।

কুমেরাগী ইমুংনা ফোঙদোরকখিবদা মহাক ঈংলবা সেল অমদা থল্লি অমসুং লৈমায়দা ফক অমা থারগা তুমহল্লি। অদুম ওইনমক ইমুংগী মীওইশিং অমসুং উকিল চঙবা য়াহনবদগী মখোয়না মঙোন্দা ফিরোল, চান থক্লবা পোৎলমশিং অমসুং হীদাক লাংথকশিং শিন্নখি।

কুমেরাবু ফাবগী মরম অমসুং মহাকপু ফাদুনা থমবগী কন্দসনশিংগী মতাংদা রোইটর্জনা হংবদা ইথিওপিয়াগী পুলিস অমসুং প্রোজিক্যুটরগী ওফিসনা পাউখুম পীরকখিদে।

রোইটর্জগী এডিটর-ইন-চীফ ষ্টেফেন জে এলদরনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, কেমেরামেন কুমেরা ইথিওপিয়াগী থৌদোক ৱাথোকশিংগী মতাংদা মীচঙ মীখাই নাইদনা অমসুং মনীং তম্না মরিক চুম্বা পাউ পীরিবা রোইটর্জ টিমগী মীওইনি।

মহাক্না তৌবা থবকশিংনা মহাক্না মথৌদা কখোকই অমসুং মীচঙ মীখাই নাইবগী ৱাখল চেন্দে হায়না উৎলি। মহাকপু ফাজিন্দুনা থম্নবগী মরম লৈতে হায়না ঐখোয়না লৌই। উকিল মেলকামুগী মতুং ইন্না চহী অসিদা অতৈ জর্নেলিষ্টশিংদসু মরাল কয়া শিখি। কেস অয়াম্বদা হৌনবী মতুং ইন্না চার্জশিং ফাইল তৌবা লৈখিদে।

# পেসেঞ্জর বসতা এম্বুস তৌবদা মীওই ২৫ শিরে



দামাসকস, দিসেম্বর ৩১ (এজেন্সী) :

সিরিয়াগী নোংপোক থংবা লমদমদা খুৎলাই পায়বশিংনা পেসেঞ্জর বস অমদা এম্বুস তৌবদা য়ামদ্রবদা মীওই ২৫ শিরে হায়না ষ্টেট মীদিয়া রিপোর্টনা ফোঙদোরক্লি।

ষ্টেট মীদিয়া রিপোর্ট অদু পল্লদুনা সিনহুৱাদা ন্যুজ এজেন্সিনা হায়, টেররিষ্টশিংনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা কাবাজেব এরিয়াগী পালমিরা দৈর অল-জৌর রোদতা বস অদুদা এটেক তৌখি। এটেক অদুদা অতৈ মীওই ১৩ শোকখি। রিপোর্ট অদুনা অতৈ অকুপ্পশিংদি পনখিদে।

এটেক অদু কনফার্ম তৌরদুনা য়ু কেদা বেজ তৌবা সিরিয়ন ওবজর্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা হায়, ইস্লামিক ষ্টেট (আই এম) টেরর গ্রুপনা দৈর অল জৌর প্রোভিন্স তাবা লম্বীদা লান্মীশিং পুবা বস অহুমদা তার্গেট তৌখ্রে। সিরিয়াগী মরু ওইবা মফম কয়াদগী তকথোকখ্রবা আই এস মিলিটেন্টশিং নোংপোক থংবা সিরিয়াগী লৈকংলাগী লমশিংদা চঙশিনখি। মখোয়না মিলিটরি পর্সনেলশিং অমসুং বেজশিংগী মায়োক্তা তোয়না এটেক চথদুনা লাক্লি।

# হরিকেন অনীগী চৈথেং নংখ্রবা হোন্দুরাস ইন্টরনেস্নেল এয়রপোর্ট অমুক হাংখ্রে

টেগুচিগালপা, দিসেম্বর ৩১ (এজেন্সী) :

হৌখিবা নবেম্বরদা হরিকেন অনী আইওদা অমদি ইতানা থংনা থংননা চৈথেং পীখিবা নোরদর্ন হোন্দুরাসকী রামোন ভিলেদা মোরালেস ইন্টরনেস্নেল এয়রপোর্ট অমুক হন্না মথৌ তৌবা হৌরে হায়না মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

সুপরিন্টেদেন্ট ওফ পব্লিক প্রাইভেট পার্টনরসিপকী প্রসিদেন্ট লিও কাষ্টেলোননা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, নুমিৎ খুদিংগী ওইবা ফ্লাইট অনী মহৌশাগুম মথৌ হৌরগনি। ফ্লাইট অমনা অমেরিকান এয়রলাইন্সকীনি অমসুং অতোপ্পা অমদুনা য়ুনাইটেদ এয়রলাইন্সকীনি।

এয়রপোর্ট অদুদা লৈখোম লৈনাং অমসুং অতেক অকাইশিং শেংদোকপা অমদি নোংলৈ নুংশিৎনা মাঙহন তাকহনখিবা শরুকশিং নৌনা শেমজিন শাজিনবগী থবক কন্না পায়খত্তুনা লাকখি। থবকশিং অদু থা অমরোমগী মতুং হৌখিবা চয়োলদা লোইশিনখিবনি।

চহী খুদিংগী মালেমগী ত্রাভেলর মিল্লিয়ন ২.৩ হেন্না হোন্দুরাসকী এয়রপোর্টশিং ফাওরগা চৎলি। কেটগরি ৪ গী হরিকেন অনীদু মথংশিৎনা নবেম্বর ৩ অমসুং নবেম্বর ১৭ তা সেন্ট্রেল অমেরিকাদা শিৎচিনখিবনি।

হরিকেন ইটানা হোন্দুরাসগী দিপার্টমেন্ট ১৮ মক্তা অমাং অতা কয়া থোকহনখিবগা লোয়ননা মীওই ৭৩ শিহনখি অমসুং আইওটানা মীওই ১৬ শিহনখি।

# য়ু এসকী কালিফোর্নিয়াদা অনৌবা কোভিদ-১৯ ষ্ট্রেনগী অহানবা কেস কনফার্ম তৌখ্রে



সানফ্রান্সিস্কো, দিসেম্বর ৩১ (এজেন্সী) :

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী খ্বাইদগী মীশিং য়াম্বা সিটি কালিফোর্নিয়াদা অনৌবা কোভিদ-১৯ ভেরিয়ন্টগী অহানবা কেস লৈরে হায়বসি কনফার্ম তৌখ্রে।

সান দিগো কাউন্টিগী মশাগী চহী ৩০ শুরবা মীওই অমগী সেম্পলদা অনৌবা কোভিদ-১৯ ষ্ট্রেন অদু দিটেক্ট তৌখিবনি।

য়ুমশকৈশা নুমিত্তা কালিফোর্নিয়াগী গভর্ণর গভিন ন্যুসোমনা এন্থোনি ফাউসি য়াওবা ওনলাইনগী জোইন্ট ন্যুজ কনফরেন্স অমদা বি.১.১.৭ হায়না খঙনবা ভেরিয়ন্ট অদু সাউদর্ন কালিফোর্নিয়াদা থেংনরে হায়না লাউথোকখি। তৌইগুম্বসুং মহাক্না কদাইদা নত্রগা করম্না ষ্ট্রেন অদু থেংনখিবনো হায়বগী অকুপ্পশিংদি পনখিদে।

মদুগী মতুং অতোপ্পা ওনলাইন ন্যুজ কনফরেন্স অমদা সান দিগো কাউন্টিংগী সুপরভাইজর নাথন ফ্লেটরনা অনৌবা ষ্ট্রেন পোজিটিভ ওইরবা মীওই অদু ত্রাভেল হিষ্ট্রি লৈতবা মশাগী চহী ৩০ শুরবা মীওই অমনি হায়না লাউথোকখি।

কাউন্টি অদুগী ইপিদিমিওলোজিগী দিরেক্টর ইরিক মেকদোনাল্ডনা ফোঙদোকখিবদা, মীওই অদু নোংমাইজিং নুমিত্তা লায়ওং উৎলকখি অমসুং লৈবাকপোকপা নুমিত্তা টেষ্ট তৌখি। য়ুনিভর্সিটি ওফ কালিফোর্নিয়া সান দিগোদগী লাকপা সেম্পল অমদা অনৌবা ষ্ট্রেন অদু থেংনখি অমসুং য়ুমশকৈশগী অয়ুক্তা কনফার্ম তৌখি।

গভর্ণর ন্যু সোমগা ৱারী শান্নবদা অমেরিকাগী লৌনগনবা লায়নাগী এক্সপার্ট ফাউসিনা হায়খি মদুদি কালিফোর্নিয়াদা অনৌবা ষ্ট্রেন থেংনরিদুদা মহাক ঙক্তে। কালিফোর্নিয়নশিংনসু মদুদা ঙক্লিঙাই ওইদে। বুটেনদা ইহান হান্না থেংনখিবা কোরোনা ভাইরসকী অনৌবা ষ্ট্রেন অদুগী কেস অমা য়ু এসতা অহানবা ওইনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা কোলোরাদো ষ্টেটতা থেংনখি।

সান দিগো কাউন্টিগী কেস মীওই অসিখক্তা ওইরম্লোই, মান্নবা ষ্ট্রেনগী অতৈ কেসশিংসু লৈরম্বা য়াই হায়বগী থাজবা লৈ হায়না লোকেল ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

# অলজিরিয়াদা স্পুটনিক ফাইভ শীজিন্নদুনা পাক্তক্লনা ভেক্সিনেসন চথরগনি

অলজিয়র্স, দিসেম্বর ৩১ (এজেন্সী) :

অলজিরিয়ানা রশিয়াগী স্পুটনিক ফাইভ কোরোনা ভাইরস ভেক্সিন শীজিন্নদুনা লাক্লিবা জন্যুৱারিদগী কোভিদ-১৯ গী মায়োক্তা পাক্তক্লনা ভেক্সিন কাপ্পগী থবক চথরগনি হায়না মীদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোরক্লি।

টি এস এ ন্যুজ পোর্টেলদা ফোংবা রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না, য়ুমশকৈশা নুমিত্তা প্রাইম মিনিষ্টর অব্দেলঅজিজ জেরাদনা চ্যের লৌদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা ৱারেপ অদু লৌখিবনি।

রশিয়াগী টাস ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, জন্যুৱারিদা পাক্তক্লনা ভেক্সিন কাপ্পা য়ানবা ভেক্সিন অমা খন্নবা অলজিরিয়াগী প্রসিদেন্ট অব্দেলঅজিজ তেবুনিনা প্রাইম মিনিষ্টর জেরাদতা ইন্সত্রক্সন পীখি।

জন্যুৱারিদা ভেক্সিনেসন হৌবা য়ানবা কোরোনা ভাইরস ভেক্সিন লৈনবা রশিয়ন লেবোরেটরি অমগা এগ্রিমেন্ট অমা খুৎয়েক পীনরে হায়না অলজিরিয়ন হেল্থ মিনিষ্টরনা লাউথোকখি।

কেবিনেটকী স্পোক্সপর্সন অম্মর বেলহিমরগী মতুং ইন্না, পাষ্টর ইন্সটিট্যুট ওফ অলজিরিয়ানা রশিয়াগী স্পুটনিক ভেক্সিন শারিবা কম্পনিগা ৱা তান্নখি মখোয়দা নত্তনা অতৈ মপানগী পার্টিশিংগসু তান্নখি।

সিটিজন খুদিংমক খেন্নবা থমদনা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন লেম্না কাপকনি হায়না দিসেম্বর ১৪ দা হেল্থ প্রেপ্যুলেসন এন্দ হোস্পিটাল রিফোর্মগী মিনিষ্টর অব্দেরাহমানেনা লাউথোকপা লৈখ্রবনি। অলজিরিয়াদা হৌজিক ফাওবদা কোরোনা ভাইরসকী কনফার্ম কেস ৯৮,০০০ হেন্না থেংনবগা লোয়ননা ভাইরস অসিনা মীওই ২,৭০০ শিহনখ্রে।

# অফঘান বিজনেসমেনশিংদা ইনভাইট তৌখ্রে

ইস্লামাবাদ, দিসেম্বর ৩১ (এজেন্সী) :

চাইনা পাকিস্তান ইকনোমিক কোরিদোর (সী পি ঈ সী) গী মখাদা পায়খৎলিবা শেল থুমগী থবক থৌরমশিংদা শরুক য়ানবা পাকিস্তানগী নেস্নেল এসেমব্লিগী স্পিকর অসাদ কাইসারনা অফগান বিজনেসমেনশিংদা ইনভাইট তৌখ্রে।

খোঙচৎ অমদা ইস্লামাবাদতা লৈরিবা অফঘানিষ্টানগী ইন্দষ্ট্রি এন্দ কমর্স মিনিষ্টর নিসর অহম্মদ গোরয়ানিগা ৱারী শানবদা কাইসরনা অফঘান বিজনেসমেনশিংবু সী পি ঈ সীগী মখাদা পায়খৎলিবা রাশাকাই স্পেসল ইকনোমিক জোনদা ইনভেষ্ট তৌনবা হায়খি। মহাক্না সেন্ট্রেলএসিয়াদা চঙবা য়াহনগদবা খোঙথাং অমা ওইনা ৱাখল বোর্দরদা লল্লোন ইতিক্কী ওইবা বোর্দর এন্ত্রি পোইন্ট অমা লিংনবসু প্রপোজ তৌখি।

# হোং কোংগী মীদিয়া টাইকুন জিম্মি লাই অমুক হন্না জেলদা থম্নবা খঙহনখ্রে



হোং কোং, দিসেম্বর ৩১ (এজেন্সী) :

হোং কোংদা হন্দক্তা চৎনহনখিবা নেস্নেল সিক্যুরিটি লোগী মখাদা চার্জ তৌবা খ্বাইদগী মশক নাইবা মীওই ওইরিবা মীদিয়া টাইকুন জিম্মি লাই শগোলশেন নুমিত্তা সিটি অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্কী কোর্টনা অমুক হন্না জেলদা থম্নবা খঙহনখ্রে।

মহাকপু বেলদা থাদোকখিবগী ৱারেপ অদু জজ অমনা শোয়বদগীনি হায়না তোপ কোর্ট অসিনা ফোঙদোকখি। মপানগী ফোর্সশিংগা খূৎশম্নবগী মরাল শীরিবা হোং কোংগী খ্বাইদগী মশক নাইবা দিমোক্রেসি এক্টিভিষ্টশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা লাইবু হোং কোংগী দোল্লর মিল্লিয়ন ১০ (দোল্লর মিল্লিন ১.৩) গী বেলগা লোয়ননা সোসল মীদিয়া শীজিন্নবা য়াওদবা য়াওনা অথিংবা কয়াগা লোয়ননা থাদোকখিবা মতুং চয়োল অমখক লৈরগা কোর্ট ওফ ফাইনেল আপীলসনা রুলিং পীখিবনি।

কোর্টনা রুলিং অদু হেক পীখিবগা মহাক্কী কম্মেন্ট লৌবা ঙমখিদে। মশাগী চহী ৭৩ শুরবা লাই মহাক্কী বেলগা মরী লৈনবা অতোপ্পা অপীল হিয়ারিংগীদমক ফেব্রুৱারি অমদা কোর্ট অসিদা অমুক পুথোক্কনি।

থা কয়া চুপ্পা প্রোটেষ্ট চথখিবা মতুং হৌখিবা জুনদা বৈজিংনা হান্নগী বৃটিশ কোলোনি অসিদা নেস্নেল সিক্যুরিটি লেজিসলেসন অদু চৎনহনখিবনি। ক্রিটিকশিংনা হায়রি মদুদি লো অদু চৎনহল্লিবদু ওথোরিটিগী মায়োক্তা লৈবশিং লাকশিন্নবনি মদুনা চাইনানা লৈঙাক্লিবা সেমি-ওটোনোমস সিটি অসিগী মীয়ামগী ফ্রীদমশিংদা অকায়বা পীগনি। অমরোমদা ত্রিটিকশিংগী ৱাফম অসি হোং কোং অমসুং চাইনাগী ওথোরিটিশিংনা য়াদ্রি। ৱাশিংটনদা তোয়না চৎলিবা বৈজিংগী ত্রিটিক অমা ওইরিবা লাই অসি অনৌবা লেজিসলেসন অদুগী টার্গেট অমনি হায়না থাজনরিবনি।

লাইনা জুলাই ৩০ অমসুং ওগষ্ট ১৮ দা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংনা সিক্যুরিটি লো অদু খোঙ্গাওনখি হায়না প্রোসিক্যুটরশিংনা লাইবু মরাল শিখি। প্রোসিক্যুটরশিংনা লিবু হোং কোংগী ৱাথোক্তা খুৎ থিংজিল্লক্লবা মপানগী লৈবাকশিংদা হায়জখি হায়না মরাল শিখি।

মমাংগী বেল রুলিংদা হায় কোর্টকী জজ অমনা লাইগী ৱারোলশিং অদু খুৎ থিংজিল্লক্লবা হায়রুবা মান্দে, শুপ্নগী কম্মেন্ট অমসুং ক্রিটিসিজমনি হায়খিবনি।

# স্বিদেনদা লৌনগনবা অনৌবা কোভিদ-১৯ ভেরিয়ন্টকী কেস মরি থেংনরে



স্তোকহোম, দিসেম্বর ৩১ (এজেন্সী) :

থা অসিগী অঙনবদা বৃটেনদা ইহান হান্না দিটেক্ট তৌখিবা হেন্না লৌনগনবা অনৌবা কোভিদ-১৯ ভেরিয়ন্ট অদুগী কেস মরি স্বিদেনদা থেংনরে হায়না লৈবাক অসিগী পব্লিক হেল্থ এজেন্সিনা ফোঙদোকখ্রে।

অনৌবা ভাইরস ষ্ট্রেন অসিগী কেস কয়া মখা তানা লৈবাক অসিদা থেংনখিগনি হায়না ঐখোয়না থাজে। কেসশিং মতম শাংনা এনালাইসিস তৌরক্লিবসি চুম্মী হায়না ষ্টেট ইপিদিমিওলোজিষ্ট এন্দর্স টেগনেলনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখি।

অনৌবা কোরোনা ভেরিয়ন্ট অদুগী লায়চৎ লাকশিন্নবগীদমক স্বিদেননা থা অসিগী ২১ দগী বৃটেনদগী লাকপশিং লৈবাক অসিদা চঙবা থিংলকখি। স্বেদিশ সিটিজনশিংদি অথিংবা অদুনা কোনখিদে। দেনমার্কতা অনৌবা কোভিদ-১৯ ভেরিয়ন্ট অদুগী কেস খরা থেংনরে হায়বদগী য়ুমথংনরিবা লৈবাক অসিদগী লাকপা মীওইশিংনা চঙলকপদসু স্বিদেননা অথিংবা থমখি।

নুংতিগী ফোংবা স্বেদিশ পাউচে সেভনস্কা দগব্লাদেটকী মতুং ইন্না, দিসেম্বর ২৬ তা স্বেদ ২৯ অমসুং ফিন মরি পুরগা লন্দনদগী পাইরকখিবা হেলসিনকীনা অরোইবা পন্থুংফম ওইগদবা বৃটেশ এয়রৱেজগী ফ্লাইট অমা ষ্টোকহোম অর্লান্দা এয়রপোর্টতা থুংখি। পেসেঞ্জর ৩৩ দুগী মনুংদগী অমত্তা হলহনখিদবদা নত্তনা, টেষ্ট অমদি ক্বারন্টিন্নচিংবা অমত্তা তৌহনখিদে।

ইন্টরিয়র মিনিষ্টর মাইকেল দামবর্গনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা লাউথোকখিবা অমদা জন্যুৱারি ১ দগী হৌরগা বৃটেনদগী লাকপা নন স্বেদিস নেস্নেলশিংনা স্বিদেনদা চঙলক্ত্রিঙৈ পুং ৭২ দগী হেন্দবা মতমগী মনুংদা নেগেটিভ টেষ্ট রিজল্ট উৎপা মথৌ তারগনি হায়খি।

স্বেদিশ সিটিজনশিং মরৈবাক্তা চঙলকপা থিংবা য়ারোইদবনা রুল অসি মখোয়দদি চৎনরোই হায়না দামবর্গনা ফোঙদোকখি, বৃটেনদগী লাকপা স্বেদশিং নাইতোম ওইনা লৈহন্নবা অমসুং হেক থুংবগা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌনবা অমদি নুমিৎ মঙানি কান্নরগা অহেনবা টেষ্ট অমসু তৌনবা রিক্কম্মেন্দ তৌখি।

# য়ু এননা মতেং পাংবা লিবিয়াগী পোলিটিকেল দাইলোগ নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা শৌগৎখ্রে

দিপোলি, দিসেম্বর ৩১ (এজেন্সী) :

য়ুনাইটেদ নেসন্সনা মতেং পাংদুনা শেম্বা লিবিয়ন পোলিটিকেল দাইলোগ ফোরম (এল পি দি এফ) অমসুং অমগা অমগা মরী লৈনবা শেল থুম অমদি সিক্যুরিটিগী দাইলোগশিং মায় পাকহনবগী ৱাফম মপুং ফানা শৌগৎলি হায়না জর্মনি, ইটালি, য়ু এস, ফ্রান্স অমসুং য়ু কেনা নৌহৈননা ফোঙদোকখ্রে।

জর্মনি, ইটালি অমসুং য়ু এসকী অম্বেসেদরশিং ফ্রান্স অমসুং য়ু কেগী চার্জ দি এফ্যিরর্সশিং অমদি য়ু এন সপোর্ট মিসন ইন লিবিয়ানা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা লিবিয়াগী য়ু এননা শৌগৎপা প্রাইম মিনিষ্টর পায়েজ সেরাজগা ভার্চ্যুএল ওইনা ৱারী শান্নখিবা মতুংদা থোক্লকখিবা অপূনবা ষ্টেটমেন্ট অমদা ৱাফম অসি পল্লকখিবনি।

হন্দক্তা লিবিয়াগী য়েংথিনরিবা পার্টিশিংগী মরক্তা প্রিজনরশিং এক্সচেঞ্জ তৌনখিবগী খোঙথাং দিপ্লোমেটশিংনা তরাম্না ওকখি অমসুং হৌখিবা ওক্তোবরদা ৫+৫ জোইন্ট মিলিটরি কম্মিসন্না য়ান্নখিবগী মতুং ইন্না মিসুরাতা সির্টে কোষ্টেল



হায়ৱে অমুক হন্না হাংদোক্লবা হোৎনবগী থবক খুমাং চাওশিনহন্নবা মখোয়না তকশিনখি।

এল পি দি এফ ফ্রেমৱার্ক মনুংদা এগজিক্যুটিভ ওথোরিটি লৈহনবদা কুমজা ২০২১ গী দিসেম্বরদা লেপখ্রবা মীখলগী মাঙওইননা লিবিয়াগী লুচিংবশিংগী মরক্তা হোৎনবা লেপ্তুবগা লোয়ননা ফিরেপ চেৎপা চঙই হায়না মিসনগী মকোকশিংনা মত অমত্তা ওইনা য়ানখি।

দাইলোগশিং মায়পাকহন্নবা পার্টি খুদিংমক্ক া হোৎনরিবশিং ইন্টরনেস্নেল এক্টরশিংনা কুপ্না মোনিটর তৌরি হায়বসি কনফার্ম তৌবগা লোয়ননা য়ু এননা শৌগৎপা গভর্ণমেন্ট ওফ নেস্নেল একোর্দনা প্রোসেস অসিবু মপুং ফানা শৌগৎপগী তঙাই ফদবা লৈ হায়নসু জোইন্ট ষ্টেটমেন্ট অদুনা ফোঙদোকখি।

এল পি দি এফ অমসুং ওক্তোবর ২৩ গী সিজফায়র এগ্রিমেন্ট য়াওনা লিবিয়ানশিংনা লুচিংবা য়ু এননা শিন লাংবা পোলিটিকেল প্রোসেসতা মপুং ফানা শৌগৎনবা মিসনগী মকোকশিংনা ইন্টরনেস্নেল কম্যুনিটিদসু আপীল তৌরি হায়নসু ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখি।

লিবিয়াগী ইর্ষ্টর্ন বেজ অর্মী অমসুং য়ু এসনা শৌগৎপা গভর্ণমেন্টনা চহী অমা হেন্না কেপিটেল ত্রিপোলি অমসুং মসিগী অকোয়বদা কন্না লাল শোক্নরকখি। লাল অদু ইষ্টর্নবেজ অর্মী হন্দোকখ্রবা মতুংদা লিবিয়াগী নোংচুপ থংবা শরুক পুন্বা লৌশিল্লে হায়না য়ু এননা শৌগৎপা গভর্ণমেন্টনা হৌখিবা জুনগী অঙনবা শরুক্তা লাউথোরকখিবগা লোয়ননা লোইশিনখি।

হৌখিবা ওক্তোবর ২৩ দা জিনিভাদা ৫+৫ জোইন্ট মিলিটরি কম্মিসনগী ৱারী শান্নখিবদা শরুক য়াখিবা লিবিয়াগী দেলিগেসনশিংনা পার্মিনেন্ট সিজফায়র এগ্রিমেন্টদা খুৎয়েক পীনখি।